


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, JANUARY 05, 2019 **PAGE 7**




*ন্যু য়োর্কতা থা অসিগী ১৬ দা অমেরিকাগী বোক্সর ষ্টেভন এন্দ্রাদেগা কেরিয়রগী অহানবা প্রোফেসনেল বাওট থিন্নগদৌরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর বিকাস কৃষ্ণন*

*কুমজা ২০১৯গী গ্লোব সোক্কর এৱার্দতা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইগী মনা ফংবা ঙমখ্রবা ইটালিগী ফুটবোল ক্লব জুবেন্টসতা শান্নরিবা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো*

## ৪শুবা টেষ্ট মেটচতা পুজারা অমদি পন্টকী সেঞ্চুরিনা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ৫৯৮ মাঙজিল থাদুনা লৈরি

*সিদনি, জনুৱারী ০৪ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চল্লিবা ৪শুবা অমদি অরোইবা টেষ্ট মেটচতা চিটেশ্বর পুজারা অমসুং রিসব পন্টকী সেঞ্চুরিনা অনীশুবা নুমিৎ শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ৫৯৮ মাঙজিল থাদুনা লৈরি।



*ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সেঞ্চুরি লৌখিবা রিসব পন্ট (ওই)বু টিমমেট জাদেজানা থাগৎপা ফোঙদোকপা*

পনবা য়াই টেষ্ট মেটচ ৪ গী সেরিজ অসিদা ইন্দিয়ানা ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙল্লি। ৪শুবা টেষ্ট মেটচকী ঙরাং অহানবা নুমিৎকী শান্নবা হৌরকপদা ইন্দিয়াগী ওপনর লোকেস রাহুল শুপ্নগী রন ৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা চিটেশ্বর পুজারা অমসুং অতোপ্পা ওপনর মায়াঙ্ক অগরৱালনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু রন ১২৬ য়ৌহল্লকখি। অগরৱাল রন ৭৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু ইন্দিয়াগী স্কোর অদুদা রন ২৩ হাপচিনবা ঙমখি। ৫শুবা বেটসমেন অজিনক্য রহানেসু রন ১৮ লৌরমখি। ঙরাং অহানবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা অহুমশুবা বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারানা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা বোল ২৫০ মায়োক্নবদা ফোর ১৬ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১৩০ লৌখি। ৬শুবা বেটসমেন হনুমান ভিহারিসু আওট ওইদনা রন ৩৯ লৌদুনা লৈখিবদগী ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৩০৩ দা লোইশিনখি।

ইন্দিয়ানা ঙসি মখা তানা ইন্নিংস শান্নরকপদা মখা তানা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৩১৯ হাপচিল্লগা ইন্নিংস দিক্লার তৌখি।

ঙরাং আওট ওইদনা লৈখিবা হনুমান ভিহারি রন ৪২ দা আওট ওইখি। ইন্দিয়াগী অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা চিটেশ্বর পুজারানা বোল ৩৭৩ মায়োক্নবদা ফোর ২২ য়ৈরগা রন ১৯৩ লৌরম্লগা আওট ওইখ্রবা মতুং রবিন্দ্র জাদেজা শান্নবা চঙলকখি।

রবিন্দ্র জাদেজাবু বোল ১১৪ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৮১ লৌরম্লগা আওট ওইখ্রবা মতুং অপুনবা রন ৬২২ শুরকপদা ইন্নিংস দিক্লার তৌখি। ৭শুবা বেটসমেন রিসব পন্টনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্নদুনা আওট ওইদনা রন ১৫৯ লৌরমখি। পন্টনা ঙসি সেঞ্চুরি লৌখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী ৱিকেটকিপর বেটসমেন অমনা ওষ্ট্রেলিয়াদা অহানবা সেঞ্চুরি লৌবা ঙম্বা ওইখি।

ইন্দিয়ানা দিক্লার তৌখ্রবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট অমত্তা আওট ওইদনা রন ২৪ লৌদুনা লৈরিঙৈদা নীনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদগী ইন্দিয়ানা মখোয়দগী রন ৫৯৮ হেন্দুনা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর মার্কস হরিস অমসুং উসমান খাৱাজা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ১৯ অমসুং ৫ লৌদুনা লৈরি।

## হোপমেন কপকী ফাইনেলদা স্বিটজরলেন্দ অমদি জর্মনি শান্নরগনি

*পর্থ, জনুৱারী ০৪ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি পর্থতা চত্থরিবা হোপমেন কপ টেন্নিসকী ফাইনেলদা স্বিটজরলেন্দ অমসুং জর্মনি শান্নরগনি।

হোপমেন কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অরোইবা মেটচতা জর্মনিনা ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



নাকল অমরোমদা জর্মনিনা ফাইনেলদা শান্নগদৌরিবা স্বিটজরলেন্দ ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী অরোইবা মেটচতা গ্রিসকী মখূত্তা মেটচ ১–২ দা মায়থিখ্রবসু গ্রুপকী মকোক ওইদুনা ফাইনেল চঙলকখি।

ঙসি জর্মনি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অরোইবা টাই অসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলস মেটচতা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–৪ দা থোইদুনা মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথ্যু ইবদেনবু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা মেটচ মিক্স দবলসকী লম্বাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র এসলি বার্টি অমসুং মেথ্যু ইবদেননা জর্মনিগী পেয়র এঞ্জেলিক কর্বর অমসুং আলেকজেন্দর জ্বেরেভবু ষ্ট্রেট সেট ৪–০, ৪–৩(৫–১) দা থোইবা ঙমখ্রবু টাই অদু জর্মনিনা ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ ২–১ দা হেন্দুনা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

স্বিটজরলেন্দ অমসুং গ্রিসনা ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী টাই অসিগী অহানবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলসতা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৬(৭–৫), ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচতা গ্রিসকী মারিয়া সক্কারিনা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু ৬–৩, ৬–৪ দা থোইদুনা মেটচ অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা মেটচ মিক্স দবলসতা গ্রিসকী মারিয়া সক্কারি অমসুং ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা স্বিটজরলেন্দগী পেয়র রোজর ফেদরর অমসুং বেলেন্দা বেন্সিকপু ৪–৩(৫–৪), ২–৪, ৪–৩(৫–৩) দা থোইদুনা টাই অসি ২–১ দা থোইখ্রবসু স্বিটজরলেন্দ গ্রুপকী মকোক ওইদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা লিভরপুল ২–১ দা থোইখ্রে

*লন্দন, জনুৱারী ০৪ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা মমাঙগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা সিজন অসিগী টেবলগী মকোক থোংলিবা লিভরপুলবু ২–১ দা থোইখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং লিভরপুলনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা মিনট ৩০ হেনজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা সর্জিও এগুইরোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌখি। শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোই রোবার্টো ফরমিনোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭২শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই লেরোই সানেনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা লিভরপুলবু ২–১ দা থোইরমখি।

স্পেনদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাদা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং ভিলারিয়েল পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী শান্নরোই সান্টি কাজোরলানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি। ৭শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই রাফেল ভারানেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ভিলারিয়েলগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীবা হৌরকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮২শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা সান্টি কাজোরলানা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা লা লীগাগী ১৭শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু ২–২ দা দ্রো চৎখি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| G | I | N | S | | L | A | I | R | S | | A | C | R | E |
| I | D | O | L | | O | P | R | A | H | | H | O | U | R |
| R | E | D | E | C | O | R | A | T | E | | A | M | M | O |
| L | A | S | E | R | S | | N | E | A | R | | P | O | D |
| | | | P | O | E | T | | | | O | H | A | R | E |
| A | S | P | | W | R | A | P | | A | P | E | R | | |
| C | H | A | R | | | M | A | N | N | E | R | I | S | M |
| M | I | R | E | | A | P | R | O | N | | O | S | L | O |
| E | N | T | E | R | T | A | I | N | | | N | O | U | N |
| | | I | S | E | E | | S | O | M | E | | N | R | A |
| R | A | C | E | S | | | | S | O | O | T | | | |
| E | M | U | | T | E | N | S | | U | N | R | E | A | L |
| H | O | L | E | | R | O | T | I | S | S | E | R | I | E |
| E | R | A | S | | O | V | A | L | S | | S | I | N | S |
| M | E | R | E | | S | A | B | L | E | | S | E | T | S |

## ‘মণিপুর বোল হৈ–হৈ হায়রগা সান্টোস ট্রোফি লৌবা ঙমদবা করিগীনো’

**এল. কালা, উরিপোক**

১৯৪১ দগী হৌখিবা সান্টোস ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ৭৭ লক পাঙথোকখিবা অসিদা বেঙ্গালনা ৩২ চেম্পিয়ন ওইরগা ১৩ রক্না রন্নর্স অপ তাদুনা ইন্দিয়ান ফুটবোল খরা ঙল্লিঙৈ মতম অমদি হৌজিক্কী মতম অসিফাওবদা দোমিনেট তৌদুনা অদুমক লৈরি হায়বসিমদি লাল্লোই। পঞ্জাব, কেরলা, গৱা, সার্ভিসেস, কর্নাতকা, রেলৱে, মহারাষ্ট্র, অন্দ্র লোয়ননা মণিপুরসু অমুখক ২০০২–০৩ দা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকপা সান্টোস ট্রোফিদা কেরলাবু ২–১ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। চহী খরা অসিদা মণিপুরসু ফুটবোল মশান্না অসিদা নুপা, নুপী অনীমক্তা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌবা ঙম্বা শান্নরোইদি মশীং য়াম্না থোরক্লি অদুবু নুপাগী নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোক্লিবা সান্টোস ট্রোফি অসিদদি অমুক্তদগী হেন্না চেম্পিয়ন ওইবা ঙমদ্রিবা করিগীনো লোয়ননা অচৌবা টুর্নামেন্ট অমত্তা য়াওবসু ঙমদে মায় পাকপসু ঙমদে মসি করিগীনো? ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা বিক টিমশিং অসিদা মণিপুরী মচা ২ দগী তাদনা য়াওদুনা হেরো আই লীগ সেকেন্দ দিভিজন, ফার্ষ্ট দিভিজন অমদি সুপর লীগ শান্নবদা য়ং–য়ং লাওনা য়াওরি। অন্দর সবেন্টিন ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা মণিপুরী মচা ৭ তগী তাদনা ইন্দিয়ান সেলেক্সন ফংলিবসিদা মণিপুর সান্টোস ট্রোফি মায় পাকপা ঙমদবসি চেম্পিয়ন ফাওবা য়ৌনা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোই মতিক চানা লৈতবজ াৎলা? মতাংস্বাইদা মনুং মপান ফাওনা মশান্নসিগী ওইনা লৈরিবা অখঙ–অহৈ কয়ানা নৈনবা অমা চঙই লোয়ননা ওপন প্লেটফোর্ম অমদা মীয়ামগী মত লৌফম থোকই। খন্ন–নৈন্নবা মফম অমা শেন্বা হায়বসি মমায় চুন্নিবা দায়ত্য লৌরিবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শিনফম থোকই। লোয়ননা লমদমসিদা ফুটবোল কোচ অমা ওইবা য়াবগী লাইসেন্স পায়রবা কোচ ময়াম্নসু অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই। বোল হৈবা শান্নরোই লৈ–লৈ, চাওথোকচনিংঙাইনিকা হায়দুনা অসুম লৈরগা সান্টোস ট্রোফি, জুনিয়র নেসনেল লোয়ননা অচৌবা টুর্নামেন্ট ইন্দিয়াগী ওইনা পাঙথোক্লিবসিদা সেমি ফাইনেল, ফাইনেল চঙবা ঙমদবা হায়বসি কদাইদা হৈরিবনো নৎত্রগা কদাইদা অশোয়বা লৈবদগীনো হায়বসিগী দায়ত্য কনানা লৌফম থোকপগে। তাকপী তম্বীবগী মরমদা খঙ–হৈরবা কোচ অমত্তনা লমদমসিদা ফুটবোল অসুম্না শান্নবা হৌগদবনি হায়বা অঙাংশিংদা লৌশিং (জ্ঞান) ওইবা য়াবা লাইরিক অমত্তা ফোঙবা থেংনদে। মহে অমা অমা তম্বদা লৌশিং অরাইবা মওংদা লাকপদা মতেং পাঙনবগীদমক অহৌবগী ওইবা অহৌবা অমা লাইরিক ওইনা তম্বীবা অমা চঙলি, মখোঙ শেঙনা খঙহৌদনা খাঙতপ্তগী নম্ফুদা খরা হৈবা হায়বসি তুং কোইবা মহে চাগদা মফম (লেবেল) অমা য়ৌরকপা মতমদদি মায় পাক্নবা হোৎনবদা মহে চাগন্দে হায়বসি ফুটবোল কোচশিংনসু পূক্নিং ৱাখল চঙনা খনবগা লোয়ননা ফুটবোল শান্নবা পামজবা অঙাংশিংনা শান্নিংবগী হৌরকপা মতমদা ইরায় লায়না খঙবা য়াবা মওংগী ওইবা লাইরিক ফংহনবীবা মথৌ তাই। শম্না হায়রবদা অমা, অনী, অহুম খঙদনা অঙ্ক তম্বা য়াবা হৌনদে। মণিপুরদা লৈরিবা কোচ ময়াম্না অমত্তা ওইবা পুনবা য়াবা মফম অমা শেমদুনা অমগ–অমগা অখঙ–অহৈ মত্তা শরুক য়ামিন্নদুনা ফুটবোল মশান্না থাক ৱাংখৎনবা খন্নবা নৈন্নবা চঙলি। অমগা অমগা খাইবুং খাইবুং মাগী মাগী অখঙবা অপাম্বা মওংদা ফুটবোল শান্নবা তম্বীবগী মওং অসিনদি হাম্মু হাম্মু অদুমক লৈগনি মসিমক্রুসু অচৌবা মরম অমা ওইবসু য়াই মণিপুরনা জুনিয়র নেসনেল, সান্টোস ট্রোফি অমদি অচৌবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমত্তা মায় পাকপা ঙমদ্রিবসি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্নসু শকখঙলবা কোচশিং অসিগী ওইবা মতম মতমগী ওইবা মওংদা ফুটবোল ট্রেন্নিং অমসুং মেটচ এনালাইসিস তৌবা য়াবা থিয়েটরগুম্বা মফম অমা পৈশা চঙলবসু চঙনা থম্বা ঙন্নবদি য়াম্না ফগনি ফুটবোল মশান্নগীদমক হোৎনরিবা অসিদা। ফুটবোল মশান্নগী থাক ৱাংনা হৈহনবা হায়বসিমদি মশান্নসিবু তাকপী তম্বীরিবা কোচশিং অসিগী অচৌবা দায়ত্যনি হায়বসি কোচশিংনা খঙনা হোৎনবা চঙই, অতৈদি মশান্নসি অপাম্বা মথৌ তারকপা খূদিংমক পীবা য়াবা মতেং পীনবা লৈবনি। টি আই পি এস (টিপ্স), টেক্নিক, ইনসাইট, পার্সেনেল্টি, স্পিট হায়বসিমদি ফটবোল মশান্নদা কোচশিংনা খঙলগা হোৎনবা হায়বসি মখোয়গী মথৌনি। মখোয়না ফুটবোল মখোঙ শেংনা তম্বীদ্রবদি বোল হৈরোই।

## এএফসি এসিয়ান কপ ঙসিদগী য়ুএইদা হৌরগনি

*অবু দাবী, জনুৱারী ০৪ঃ*

এসিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট এএফসি এসিয়ান কপ হয়েং য়ুএইনা য়ুম্ফু ওইরগা হৌদোক্লগনি।

এএফসি এসিয়ান কপকী ১৭শুবা ইদিসন অসিদা ইন্দিয়া ৪রকশুবা ওইনা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়ারি। ইন্দিয়াগী টিম গ্রুপ 'এ' দা য়ুম্ফু য়ুএইগা লোয়ননা থাইলেন্দ অমসুং বহারেনগা লম্বা তৌনগদৌরি।

পনবা য়াই ইন্দিয়া এসিয়ান কপ অসিগী কুমজা ২০১৫ গী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মায়থিহৌদুনা শরুক য়াবা ঙমখিদে। চহী অসিদা য়ুম্ফু ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা টাইটল লৌখি।

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম চহী খরগী মমাঙদা ফিফা রেঙ্কিংগী ১৭৩শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অদুবু তেল্লবা মতম অসিদা পার্ফোমেন্স ফগৎতুনা ফিফা রেঙ্কিং দা খ্বাইদগী ফজবা পোজিসন ওইনা ৯৭শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

ইন্দিয়ানা এএফসি এসিয়ান কপ অসিগী অহৌবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ৬ তা থাইলেন্দগা শান্নগনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই উদান্তা, রঞ্জন অমসুং জেকীচান্দ শরুক য়ারি।

## ওলিম্পিক চেম্পিয়ন কেরোলিনা মারিন পোহৌবদগী চেন্নাইনা পুনেবু ৪–৩ দা থোইখ্রে

*অহমেদবাদ, জনুৱারী ০৪ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা বেদমিন্টন মশান্নগী মকোক থোংবা লীগ টুর্নামেন্ট প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগতা পুনে ৭ এসেসতা শান্নরিবা রিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডালিষ্ট স্পেন মচা কেরোলিনা মারিন মায়থিহৌবদগী চেন্নাইন স্মাসর্সনা পুনে ৭ এসেসপু ৪–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।



টাই অসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা মিক্স দবলসকী ত্রম্প মেটচতা চেন্নাই স্মাসর্সকী পেয়র খৃস এদকোক অমসুং গেবী এদকোকনা পুনে ৭ এসেসকী পেয়র ব্লাদিমির ইভানোভ অমসুং লিনে জের্সফেল্ডবু ১৫–১৩, ১৫–১৪ দা থোইরমদুনা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা চেন্নাইগী রজিব ওসেফনা পুনেগী ব্রাইস লেভরদেজবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৫–৬, ৮–১৫, ১৫–১৩ দা থোইরম্বদগী মেটচ ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

চেন্নাই স্মাসর্স অমসুং পুনে ৭ এসেসনা শান্নরিবা টাই অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা চেন্নাইন স্মাসর্সতা য়াওরিবা সাউথ কোরিয়া মচা সুং জি হ্যুননা রিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডল ফংখ্রবী পুনে ৭ এসেসতা শান্নরিবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৫–১৪, ৭–১৫, ১৫–১৩ দা মায়থিবা পীরম্বদগী টাই অদু চেন্নাইনা মেটচ ৪–০ দা হেন্দুনা মাঙজৌননা মায় পাকপা ঙমখি।

টাই অসিগী মরিশুবা নুপাগী দবলসকী ত্রম্প মেটচতা পুনে ৭ এসেসকী পেয়র ব্লাদিমির ইভানোভ অমসুং চিরাগ সেট্টিনা চেন্নাই স্মাসর্সকী পেয়র খৃস এদকোক অমসুং সুমিত রেদ্দিবু ১৫–১৪, ১৫–৯ দা থোইরম্বদগী ২–৪ দা শোত্থদুনা লৈখি।

টাই অসিগী মঙাশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসতা পুনে ৭ এসেসকী অজয় জয়ারামনা চেন্নাই স্মাসর্সকী শান্নরোই ৱৈ ফেং চাংবু য়াম্না কন্না লম্বা পীদুনা ১৩–১৫, ১৫–৭, ১৫–১১ দা থোইবা ঙমখ্রবসু টাই অদু চেন্নাইন স্মাসর্সনা পুনে ৭ এসেসপু মেটচ ৪–৩ দা মায়থিবা পীরমখি।


## PIS Brick Field (Mechanised)

ꯃꯇꯝ ꯃꯇꯝꯗ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯌꯥꯕ ꯃꯃꯜꯁꯤꯡ (From time to time rate changeable)

BRICKSAMPLE

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.
SL/1198/Alt.50 days



## A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC

SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI, IMPHAL WEST

**Treatments**
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

**Instruments**
- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Theraphy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday Closed

Home visit available

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

Please Contact:
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
Email- asunshine489@gmail.com

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019